# দ্রেইন মচা মচানা খোংবালশিংগী মহুৎ শিনখিবদগী লৈরক-কোন্সাং ঈশিং থুমজিল্লকপা

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

নোং খজীজত্তু হেক চুবগা লৈরক-কোন্সাং, লম্বী অমসুং শুমাং-থেল্লোং পুম্নমক ঈশিংনা ঈরীদুনা খুৎশেমগী ঈচাও থোকপগী মওং অসি মণিপুর খজ্জা থোকপা য়োওং নত্তে। চাওখৎলবা, নীংথিনা প্লান তৌরগা শেমগৎ-শাগৎখিবা ন্যু য়োর্ক, পেরিশ অমসুং লন্দননচিংবা মালেমগী সিটি খরা নত্তনা, অয়াম্বা লৈবাকশিংগী মী কুন্না তাবা মহমশিংদা নোং হাইফেত্তু তাবগা ঈশিং ঈচাও থোকপগী ফীভম অসি লৈ হায়বা য়াই। মালেম অসিদা মীগী মশীংনা ঈশিং-ঈচাওগী মতৌগুম্না হেনগৎলকপগী মতুংইন্না খুঙ্গং অমসুং সিটি অনী অসিগী খুন্দা-লৈতাফমু মতমগা চুনবা অমসুং তু কোইনা চৎনবা য়াগদবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক্তা অনৌবা মখলগী প্লান্না অমদি আর্কিটেক্টেশিং মখোই তারক্লি।

করিগুম্বা চাওখৎ-থৌরাং অমা পায়খৎপা হায়বসি লৈঙাক্কী পোলিসি, চৎন-কাঙলোন অমসুং অকক্লবা লোশিংগী মখা পোনগনি। জর্মনীদা, জপানদা নত্ত্রগা য়ু এস এদা টাউন প্লানিং অমসুং আর্কিটেকচরগী মহৈ তম্বুবা মীওই কয়ামরুম লৈবা তারবসু, হায়রিবা পোলিসি, রুলস এন্দ রেগুলেশন অমদি এক্ট, আইনশিং অসি মতীক চানা লৈতবা তারবদি মখোয়না তম্বুরিবা মহৈ-মশিনশিং অদুগী চন্নফম লৈরোই। মসিদা চাওখৎ-থৌরাংগী ফন্দ হায়বা ৱাফম অসিমসু য়াম্না মরু ওইবা ঈরম অমনি। পোলিসি, প্লান্নিং অমসুং মরী লৈনবা এক্ট অই আইন হায়রিবশিং অসিনা ফনা ফজরবসু শেল য়াওদনা থবক তৌবা য়ারোই। লাইবক থীবদি ইন্দিয়াগুম্বা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমনা মালেমগী চাওখৎলবা অতৈ লৈবাকশিংগী মতৌগুম্না স্মার্ট সিটিগী মঙ মঙবা হৌগৎলকপদা পোলিসি, ইনফ্রস্ট্রক্চর অমসুং মীয়ামগী ৱাখল অসিনচিংবা মরু ওইবা য়ুম্ফমশিং মতীক চানা লৈতবগুম্না তৌবা অসিনি। লৈবাক অসি চাওখৎলক্কি অমসুং চাওখৎনবগী কন্না হোৎনরিবা ঙমদে, অদুবু ইন্দষ্ট্রিয়েল পোল্লুশন অমসুং লৌশিং তাবা ৱাৎপা মীয়াম্না শেংলবা গঙ্গা তুরেলবু ফত্ত-হাউদশিংগী দষ্টবিন ওইহনবদগী ঙাকথোকপা ঙমদ্রি। পীকন্তবা মণিপুর অসিদসু মদুমঙাই -- নম্বুল তুরেল, কোংবা তুরেল, কককচিং তুরেল, ৱায়শেল মরীল হায়রিবা, মতম অমদা ঈশিং চানরম্বা ঈরম-খোংলমশিং অসি য়ানা, অৱাং-নোংপোক লমদমগী অমত্তা ঙায়রবা থুমহি চেন্দবা ফ্রেশ-ৱাটর লেকনি হায়না খঙনরিবা লোক্তাক পাৎ অসি ফাওবদা হঙ্গেইনীংঙাই ওইনা মোৎশিল্লবনি। করি অমুক হায়রগনি, প্রেটর ইম্ফালগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়াম্না থাদরকপা অমাং-অশোয়গী মহী-মখ্মা মচুমুশুকমুহল্লবা, মনম নমথীবনা নম্বুল তুরেলগী ঈশিং অসি লোক্তাক পাৎতা তারিবনিকো হায়বসি খঙ্গনরবদা, পাৎ অসিদগী ফাদুনা পুরক্কপা স্বাইরফন্দ কৈথেলদা য়োল্লরিবা ঙাশিং অসি লৈদুনা চাবা ফাওবা হঙ্গেইনরক্কনি।

অসিগুম্বা মীশিং হেনগৎলকপদগী থোক্লকপা, খুন্নাইগী অকোয়বগী ফীভমগা মরী লৈনবা তাইওন্নবা ইস্যুশিং অসি ঙসিদি মালেমগী লুরবা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে। ইন্দিয়াগী কোনুং ওইরিবা দেল্লী অসিমক্তু স্বাইদগী হেন্না ঈশিং-নুংশিং মোৎপা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুং চল্লবদা মণিপুরগুম্বা মীশিং খুদিংমক্তা শোথোইরবা ষ্টেট অমগী ইনভাইরনমেন্টনা করি ওইগনি? ঈরম অসিদা লো মেকরশিং, পোলিসি মেকরশিং অমসুং মীয়াম্না কুপ্পা খল্লবা চুমগনি। স্মার্ট সিটিগী পান্দম অসি লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না ৱাখল তাব্রবদি ফংবা ঙম্লেদে। ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং অমসুং মীয়াম্না ইলেক্ট্রোনিক অমসুং প্রিন্ট মীদিয়াদা মপানগী স্বাইরেক্ট্রেশরদা য়ুম্ফম ওইবা চাওখৎপগী মশক কয়াদি য়াম্না খোয়দানা য়েংনরি, অদুবু পুম্নমক অদু ওইরক্লবা হোৎনবদা চঙাবিবা মচাক-মখুমশিং, মরু ওইনা লৈঙাক অমদি মীয়ামগী পূক্নীংদা লৈগদবা দিভেলপমেন্টকী মপূং-মরৈ ফারবা ৱাখল্লোন অদুদি লৈতবগুম্না উরি। মসিগীদমক্তা অখঙ-অহৈ অমসুং লায়র-ইনাকখুনবা খাক্তনা মীপূম খূদীংমক্না সিভিক সেন্সকী লৌশিং তানশিন্নবা অচৌবা ঈহৌ অমা হৌবগী মথৌ তারক্লি। মীয়াম তিনবা মফম কৈথেল, লম্বী-লমজাউ, খোংবাল-লূক্লাং, তুরেল অমসুং পাৎ পুম্নমক অসিবু নমথী-হাঙৈনা থল্লবা দষ্টবিন ওইহনবনা অশেংবা সিভিক সেন্স ওইনা লৌনরিবা ৱাখল অসি থাদোক্ত্রিবমখৈদি ঐখোয়না অনৌবা মতমগী চাওখৎলবা সিভিলিয়ান অমনা হিংবা পূন্সি মহীং অদুদা হিংবা ঙম্লোই। ফজবা ফীজোল শেত্তুনা, ফূড়া-দলান্দা লৈরগা, মমল তাঙবা ফোরেন কারদা য়ুমগী ফত্ত-হাওদি পুম্নমক হোন্দুনা পুথোক্লকপা অমসুং লম্বী-লমজাউ নৎত্রগা তুরেল খোংনুংদা মীরক-নারক য়েংদুনা হুঞ্জেক্লম্বনা স্মার্ট সিটিগী স্মার্টমেন ওইবা য়ারোই।

অমরোমদা, মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা সিটি অমসুং খুঙ্গংশিংগী ঈশিং চেনফম ওইরিবা খোংবালশিং অসিগী অকক্লবা পাক-চাউবগী চাং অমা লেপথোক্তবা অসিনসু, হৌখিবা চহী ৫০-৬০ অসিগী মনুংদা নোং হেক মংবগা ইচুম্না য়ূম থুম্বগী অৱাবা অমা মীয়াম্না মায়োক্নরক্লি। খোংবালশিং অসি মমাঙৌদদি য়াম্না পাক-চাউনা লৈনরম্বা ঙাক্তনি, চোংবা ঙম্নরমদে, খোই চোপ্পরম্মী, ঈন চিংনরম্মী ঙাপ্রুম তাল্লগা ফাদুনা চানরম্মী অমসুং পাঙখোল্লানা থন্না হৌরম্মী। অদুবু ঙসিদি মতম অমদা লৈরম্বা খোংবালগী মশক অসি পূমওন ওনখ্রে, লৈঙাক্লা চনখৎপা ফুটখায় অমমুক পাকপা, ফুট অমা মখায়মুক লুবা দ্রেইনশিংনা মহুৎ শিনখ্রে। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা নোং খরদং চুরকপদা ঈশিং চেনফম লৈতদুনা দ্রেইন্দগী পাথোক্লকপা ঈশিংনা লম্বী-সড়ক অমসুং য়ূম থুমদুনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরে। থৌওং অসি হৌজিক তম্পাক্কী অয়াম্বা মফমদা থেংনরি। হীরম অসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। চল্লিবা দ্রেইনশিং অসি হান্না লৈরম্বা পাক-চাউবা অদুমক য়ৌদ্রবসু খরগী মখৈদি পাক্লা, অসুক্কী চাংদা লৈগদবনি হায়বা অকক্লবা লো অমা শেমদুনা চৎনহল্লবদি, মীশিং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না মীয়াম্না লম খোপচিন্দুনা য়ূম-কৈ অমসুং দুকান্নচিংবা শাজিনবগী চাং অসিসু হন্থরক্কনি। হৌজিক তৌরিবা অসিদি হায়রিবা লো অসি লৈতবদগী, কনাগুম্বা মীওই অমনা খোংবান ফুনজিন্দুনা য়ূম শাজিল্লবশু, ফুনজিল্লিবা মফম অদু মহাক্কী পাট্টা লেন্দগী মনুং চলহনবা মরম্না ওথোরিটিগা কেস তৌনবদা অরেম্বা তাদুনা তোক্লি। অদুগা খোংবাল খোপচিনবা অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দ্রেইনশিং পিশক পিশক পীক্লা চলহন্নবা অমসুং ইচুম্না য়ূম থুমহন্নবা মরম অমসু ওইরি। নোংজু-থাগী মতমদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং-ঈচাও থোকপা হায়বসিদি মহৌশা খূৎশেমগী থৌওং ওইবনা মীওইবনা ঙাকথোকপা ঙমদে, অদুবু ইচুম্না য়ূম থুম্বা অসিদি লো অমসুং মতীক চাবা প্লান্নীংনা থোকহন্দবা য়াগনি হায়বসি লানগনি নীংদে।

ঙসিগী মতম অসি, অৱাং-নোংপোক লমদমগী, মরু ওইনা মণিপুর অমসুং অসামনচিংবা ষ্টেটশিংদা ইন্দিয়াগা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক ম্যান্মার নৎত্রগা বাংলাদেশতগী লোনা অয়াবা পীদবা চিন-কুকি-জো ফূরুপকী মীতোপ্পচিংবা কয়ামরুম ঈশিং-ঈচাওগী মতৌগুম্না চঙশিল্লত্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী পুন্সি-মহীংদা য়াম্না চাউনা অকায়বা অমা থোকহল্লকপা পুৱারীগী লুরবা মতাং অমনি। হায়রিবা তাঞ্জা অসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা, কনফ্লিক্ট জোন ওইরিবা লমদম অসিদা পাঙথোকপা কাউন্টর-ইন্সর্জেন্সিগী ওপরেশনশিং অমসুং ইন্দিয়াগী ভোট বেঙ্ক পোলিসি অনী অসিগী মীৎয়েংদা সেন্টরনা, মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিং অসিবু শৌগৎতুনা থম্বগুম্না তৌবা অসিনি। হায়রিবা থৌওং অসি ইন্দিয়াগী বোদি-পোলিটিনা, কোলোনিয়েল বৃটিশতগী মতৌ তমহৌবা লোইলমগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ লিগেসি অমা ওইনা লীশাং শীৎনা চত্থদুনা লাক্লবনি। মরম অসিনা, মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংনা, ইন্দিয়াগী চাওখৎ-লমজেলদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংগা থোং মান্ননা শরুক য়াবা ঙমগদ্রা হায়বসি হংনীংঙাই ওইবা ৱাহংনি। লৈবাক অসিনা লোইলম-মপু বৃটিশকী মখূত্তগী নীংতম্বা ফংখিবা মতুং চহী ৮০ রোম অসিগী মতুংদা ওইরিবা, পীক্লবা অমসুং লায়রবা মণিপুরগী পোলিটিক্স, ইকনোমি অমসুং উতাংবীগী পুন্সিরোল হায়রিবশিং অসি য়েংলুরবদি ৱাহং অসিগী পাউখুম অদু পূক্নীং থৌগৎনীংঙাই ওইরোই।

অসিগুম্বা মণিপুরী খুন্নাইগী হামচৎ-হাম্বোইনরবা পুন্সিরোল মনুং অসিদা ষ্টেট অসিগী পোলিসি মেকরশিং, মীয়ামগী থৌশিল য়াৎপশিংনা তুং কোইনা চৎনবা য়াগদবা, দিভেলপমেন্টকী প্লান অমা শেম-শাদুনা পুথোকপা হায়বসি শমুগী মপোৎ ইরোইদা থোনগৎপগুম্বনি হায়দবা ঙমদে। ৱাফম অসি ওইদুনসু, লমদম অসিগী শক্লাইরবা লুচিংবশিং, অখঙ-অহৈশিং অমসুং মায়চৌ-মায়নৌ কয়ানা চাওখৎ-থৌরাং কয়া পুথোক্তে হায়বদি লানগনি, অদুবু নম্বুল তুরেল শেংদোক্তুনা আর সী সী ৱাল খাগৎপা অমসুং লোক্তাককী ফুমদি কোৎলগা পাৎ অসিগী শক্তম কন্নবা হোৎনবগী মতৌগুম্না মখোয়না পুথোক্লিবা থৌরাংশিং অদুগী কান্নফম খঙহন্দবতনি। নম্বুল রিভর রিজুভিনেশন প্রোজেক্ট হায়বা অমা পব্লিক-প্রাইভেট পার্টনরশিপ মোদ (পি পি মোদ) তা পাউমীশিং য়াওনা হি তোংদুনা ধুম-ধামদা হৌদোকখিবা অদুনসু তুরেল অসিগী হু চেল্লবা ঈশিংবু শেংদোকপা ঙমখিদে অমসুং লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) না খাঙেনফম য়ৌরবা লোক্তাক লাইরেম্বীবু কনবা ঙমদে। ইনভাইরনমেন্টকী মরমদা থিজিনবশিংনা ফোঙদোরকপা ষ্টদিগী রিপোর্টতা পাৎ অসি ঙসিদগী চহী ৫০/১০০গী মতুংদদি কৈশাম্পাৎ অমসুং লম্ফেলপাৎকী ফীভম ওইরত্তুনা মণিপুরগী মহৌশাগী খলদা য়াম্না চাউনা অকায়বা অমা থোরক্লগনি হায়না মিপাইবা ফোঙদোরক্লি।

পুম্নমক অসি মীওই ১০০ য়ৌনা থবক পীবা ঙমগদবা ইন্দষ্ট্রি লৈতবা মণিপুরগী পূক্নীং নুংশিনীংঙাই ওইরবা, শোল্লবা ইকনোমি অমসুং মসিগী মনুং চন্না হিংলিবা, মতীং য়াওদ্রবা পোলিটিকেল কলচর অমনা মরূ হুলহল্লকপা ঙাক্তনি। হায়রিবা কলচর অসিনা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমী-খুন্নাইবু য়োৎহ্লিং-ফলাং চন্দুনা থল্লক্লিবা অসি মতম কুইরক্লে। মরম অসিনা খুন্নাই অসিগী মনুংদা লৈরিবা অমোৎপশিং অদু শেংদোক্তুনা ঐখোয়না মীওইবা অমা ওইনা হিংনবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফরক্তে। অৱাবা তারবা অমসুং খুদোংথীবা নংলবা মতমদা ঐখোয় মশেল লাউনদুনা লৈবনা অচুম্বা থৌশিল ওইরোই। ইশাগী ইরম-খোংলম, পাৎ-তুরেল অমসুং ঈশিং তুংবা মফম ফাওবা নীংথিনা ঙাক-শেন্দুনা থম্বা ঙমদবা হায়বসি ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদা য়াম্নমক ইকায়নীংঙাইহনি। দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স অমা লৈরকপা মতম অসিদনা হেন্না মণিপুরগী লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না ষ্টেট অসিগী ইনভাইরনমেন্টপু মহৌশাগী ফীভম অদু কায়হন্দনা থম্বা ঙম্নবা হোৎনবা মতম য়ৌরক্লে। হীরম অসিগা মরী লৈননা লেজিসলেচর অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংনা চূনবা এক্ত অমদি রুলশিং শেম্বা ঙমহন্নবগীদমক্তা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিং অমদি অখঙ-অহৈশিংনা কোক চুংশীন্নদুনা কান্নগদবা সজেশন কয়া পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। চীংগী ফোরেষ্টকী রিজার্ভ এরিয়াবু কুকি নিংথৌশিংগী মপা-মপুগী লমনি হায়দুনা নার্কো-টেররিষ্টশিংনা কোকথোক্তুনা কানি পাম্বী থাজিনবা অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী তুরেলশিংদা ঈশিং লৈরক্তবা হায়বসি মতীক চাবা লৈঙাক অমা লৈবগী খুদম নত্তে। মমাঙৌদা চীংদা মফম হোং হোংদুনা পামলৌ উবগী চৎনবী অদু ঙসিদি কানি পাম্বী থাবনা মহুৎ শিনখ্রে। মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসি কানিগী লৌবুক ওনখ্রে, কানি শুংফম ওল্লে, নম্বর ফোরগী ফেক্টরি ওইরে। অনৌবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল অমা ষ্টেট অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীংগী মফমশিংদা শেমগৎলক্লে। অসিগুম্বা খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা থৌওংশিং অসিবু থিংদুনা তুংগী মীরোলনা নুংঙাই-য়াইফনা পালহৌবা ঙমগদবা অনৌবা মণিপুর অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় ইশানা ইশাবু হান্না শেমদোক্তবা য়ারোই। ঐগী ইশাদা অশোয়বা, অরানবা কয়া লৈবদগী য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিবনি। অপূনবনা পাঙ্গলনি, তরাগী চৈশুনা লেংথোঙ ফায় হায়বা ৱাখল্লোন অসি ঐখোয় মীতৈশিং, মরু ওইনা মীয়ামগী লুচিংবনি হায়দুনা লৈরিবশিংগী মফমদা লৈবা উদে। পুম্নমক ঐগী ঐগী হায়বা ৱাখল অসিনা মাঙওইনখিবদগী ৱা অকায়বদা ঈশিং চঙই হায়নবগুম দেল্লীগী নৎত্রগা কুকিলেন্দগী পোল্ল্যুটৈদ ওইরবা, অমোৎপা ঈশিং চেনশিল্লত্তুনা মণিপুরী খুন্নাইবু মঙলাক-হারাক্লহনবনি। মরম অসিনা ঐখোয়না হৌজিক তৌগদবা অসি অহানবদা -- ইশাগী অরানবা চুমথোকপা অমসুং অনীশুবদা লিংজেল মান্ননা হিংমিন্নবগী মচৎ অমা শাগৎপা অসিনি। মসি নৎত্রিবা মখৈদি লৈবাক অসি হংলাইগী মতৌগুম্না শান্ননীংবা মওংদা শান্নবা য়াগদবা লুচিংবশিংনা পানগনি অমসুং মীয়ামসু নুংশিৎনা হুম্বা মায়কৈদা পল্লেপফম খঙদনা কোয়পাই পাইবা লশিং মফোলশিংগা মান্নগনি।

ইরম-নালা নীংথিনা থমদবদগী শাইজিন্দগী তারকপা ইচুম্না ঈশিং থুম্বগুম্না, অমত্তা ওইবা, অপূনবগী লীচিং অমদা (লৈবাক্কীদমক) মীওইবগী ৱাখলনা য়ূম্ফম ওইদবা তারবদি য়েক্লবগী মফমদা অপাৎপদা হয়িং থাজিনবগুম্না থোকহল্লি অমসুং লৈবাক লাঙই, ঈংথহনসি। ●

# ৱর্ল্ড থিএটর দে মেসেজ - ২০২৬

ঐহাক, মীয়াম্নদি ফিল্ম এক্টর অমা ওইনা হেন্না শক খঙবীবা এক্টর অমনি। অদুবু ঐগী অশেঙবা হৌরকফমদি থিএটরগী তাইবঙদনি। ১৯৭৭তগী ২০০৩ ফাওবা ঐহাক Wooster Group কী মেম্বর অমা ওইরম্মী। ন্যু য়োর্ক সহরগী performance garage অদুদা অনৌবা দ্রামা কয়া পানখত্তুনা/পর্ফোর্ম তৌদুনা, মালেমগী মফম কয়াদা কোয়দুনা পুন্সিগী মরু ওইবা মীকুপ কয়া লেল্লকখি। Richard Foreman, Robert Wilson অমদি Romeo Castellucci নচিংবা কয়াগসু লোয়নরকখি। হৌজিক্তি ঐ, Venice Theatre Biennaleগী আর্টিষ্টিক দাইরেক্টর ওইরি। ঐগী অনৌবা থৌদাং অসিগা, মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবা থিএটর ইভেন্ট ময়ামসিগা, থিএটরগী তাইবঙদা অমুক হল্লক্লিংবগী ঐগী অপাম্বা অসিগা ... পূম্নমকসিনা মরম ওইদুনা, ইশাদা লোয়নজরকপা 'থিএটরবু পামজবা' অমদি 'শিনফমসিদা থাজজবা' ইহুলদু হেন্না মরা চেৎহনখি।

ন্যু য়োর্ক সহরগী থিএটর কম্পনি 'ৱুষ্টর গ্রুপ'তা নৌনা য়াওরকপা মতমদুদা ঐখোয়গী পর্ফোর্মেন্স/প্রদক্সনশিংদু য়েংবীনবা অয়েংবা ইরৈ লৈরমদে। 'থিএটর-শিনফম' অসিগী মচৎনি ... 'পর্ফোর্মর/এক্টর মশীংনা, অয়েংবা মীগী মশীংদগী হেল্লবা শো অদু কেন্সেল তৌবা'। অদুবু, ঐখোয়দি, মদু সুপতৌ তৌখিদে। কম্পনিদুদা থবক তৌরিবা ঐখোয় অয়াম্বসু থিএটর-শিনফম অসিদা নীংথিজনা ত্রেনিং ফংলক্লবা নত্তে। তোঙান তোঙানবা শিনফমদা মথৌ পাঙলিবা মীনা অয়াম্বনি। অদুনা, 'দ শো মষ্ট গো ওন'... হায়বা ৱাহায়দুদা ঐখোয় অয়াম্বনা থাজখিদে। অদুবু, অয়েংবশিংগা ঐখোয়গা তত্তনা উন্নগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দুদদি থাজখি।

অয়ূক-নুংথিলদা ঐখোয় লেপ্তুনা রিহার্সেল তৌগনি। অদুগা, নুমিদাংৱাইরম য়ৌরকপদা ঐখোয়গী হোৎনজমল কয়াম খুমাঙ চাওশিল্লবা হায়বদু উৎথোক্কনি মীয়ামদা। অসুম্না উৎখিবা শো অদু চহী কয়া হঞ্জিন-হঞ্জিন উৎকনি। অতোপ্পা মফমদা পর্ফোর্মেন্স টুর চৎলমদাইদা, হান্না উৎখ্রবা অরিবা প্লে অমা পুদুনা উৎলুগনি। উৎখ্রবা দ্রামা-পর্ফোর্মেন্স অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন উৎপদু ঐঙোন্দদি হৈনদবা/তন্থবা অমা কন্না ফাওখি। শান্নখ্রবা লীলা অমা, অমুক নৌনা রিহার্সেল তৌবা হায়বসিমক্তবু, তন্থবা পোকপা হৌনশানি। অদুবু, চত্থরিবা থৌওংদুনা, পর্ফোর্মেন্স-ক্বালিটি অদুদা ফগৎহল্লকপগী মতৌ অদুমদি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইহনি - য়ামখিদ্রবা ওদিয়েন্স খরদুনা, ঐখোয়গী পর্ফোর্মেন্স অদুগী অফ-ফত্ত/অচুম-অরান ৱারেপ্পফম নৎত্রবসু। অয়েংবা মখোয় খরদুগী মীৎয়েংনা 'থিএটর' হায়বা কলাসিগী ৱাহম্হোক লৈহল্লিবনি, অহিংবা কলা ওইহল্লিবনি হায়বসি এক্সপরিয়েন্স অদুনা খঙহল্লকখি।

'গেমব্লিং হোল' (জ্বার শান্নফম কা) অমদা য়ু মষ্ট বি প্রজেন্ট টু ৱিন (মায় পাক্লবগীদমক নহাক মফমসিদা লাক্কদবনি) হায়না ইদুনা থেৎলিবা অদুগুম, অনৌবা পোৎ অমা শেম্লিঙৈ মতম (রিএল টাইম ওফ এন এক্ট ওফ ক্রিএশন) দুমক্তদা, শেম্লিবা মীশক (ক্রিএটর) অদুগা পোৎশেম অদু য়েংলিবা মীশক অদুগা পূক্লিং-ৱাখল ফাওদোক্লবগী এক্সপরিএন্স অদুগা শেম্বা লোইরবা পোৎশক অমা য়েংবগী এক্সপরিএন্স অদুগা অনী অসি কৈদৌনুংদা মান্নরোই। অহানবগী এক্সপরিএন্স অদুনি থিএটর'না ফংহল্লিবা। খুন্নাইলোন অমদি লৈঙাক্লোন অনীমক্কী মীৎয়েংদগী উফম থোকপা মীওইবা-খুন্নাই অসিগী মশক অদু খঙনবা হোৎনবদা থিএটর'না লৌরিবা থৌদাং অসিগুম অতোপ্পা আর্ট-মীদিয়ম অমত্তনা লৌ'ঙম্লোই।

দি ইলিফেন্ট ইন দি রূম ('কাদা চঙবা শামু'-অচৌবা প্রোব্লেম অমনি খঙলবসু মীয়াম্না ইথৌ থৌওইনদবা প্রোব্লেম) - হায়বদু, ঙসিগী মীরোলসিদদি, অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি অমদি সোশল নেটৱর্কিং অসিনি হায়বা তাই- মীওইববু মীওইবগা নকশিন্নহনবই মিংদা হেন্না হেন্না লাপথোক্লহল্লকপা, খুন্নাইবু মচেৎ তাহল্লকপা। ঐগী ওইবা সোশল মীদিয়া লৈজদে। অদুবু ঐহাক, নুংতিগী কম্প্যুটর শীজিন্নে। ঐগী মিং, এক্টর অমা ওইনা গুগলদসু থাগৎলি। অনৌ অনৌবা ইনফোর্মেশনগীদমক 'আর্টিফিশল ইন্টেল্লিজেন্স'কসু কন্সল্ট তৌই। মীওইবনা পুথোক্লকপা সাইন্টিফিক ইক্বিপমেন্টশিং অসিনা মীওইবগা মীওইবগা লৈনফম থোকপা মরী'দা পীরক্লিবা চৈথেং অসিদি ঐখোয় উনা উনা উদবা তারি।

শক্কা শক্কা উন্নদনা শানরিবা ৱারীদু কনাগনো খঙনদনা শানবদগী থোক্লকপা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক/ৱাথোক ... ৱাথোক্তুগী অচুম্বা অশেঙবা মশক খঙহন্দনা লোৎশিনখিবদা টেক্নোলোজি খরনা অচৌবা মতেং ওইহল্লি। ইন্টরনেট কৌবা দিভাইস'সিনা মীওইবদা অচৌবা ৱাহং কয়া হংহল্লক্লবসু থিএটরনা মীওইবদা পোকহল্লিবা অঙকপা ইহুল অসিবুদি ইন্টরনেট'না 'কেপচর' তৌবা ঙমদরি। পূক্লিং-ৱাখল অনীমক অমগা অমগা নুংফাওনহনবা, এক্টর-ওদিএন্স অনীগী লিভিং-রিলেশনশিপ অমা শাগৎপা ঙম্বা-থিএটর আর্ট মথন্তনি।

এক্টর অমা ওইনা, থিএটর মেকর অমা ওইনা - মতম চূপ্পদা ঐহাক থিএটরগী মতীক-মঙমদা অচেৎপা থাজবা থল্লকখি। অমনা অমবু নমথনবা, হাৎনবা শুনবা ... পূনশিন্নবই মহুত্তা মচেৎ তাবা পামজবা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা হিংবা - থিএটর-ৱার্কর ঐখোয়গীদি অচৌবা শীংনবা অমনি।... থিএটরবু শেল তান্নবা পাম্বে অমা ওইনা শীজিন্নরকপা, মোৎশিহল্লকপা ... অয়েংবশিংবু নুংঙাইহনবা, কপহনবা/নোকহনবখক্তনা পান্দম ওইবা কুম্মৈ ওইনা লৌনরকপা অসিসু শীংনবা-অরায়বা থবক অমা নত্তে। অওনবা, অহোংবা পুরকপগী মিংদা চৎনবী-নাৎ তুংওইনখিবসি হঞ্জিনহনবা ... লাপথোক্লরক্লবা মীওইবই মরী নকশিনহনবা ... মান্নদবা খুন্নাই অনীগী মান্নদবা কলচর অনীগী মরক্তা থিএটরনা থোং ওইহনবা ... লোয়ননা পূন্সি খোঙচৎ অসিগী পন্থুং তাকপা-থিএটরনা শিনফম ওইবা পূম্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা থৌদাং ওই।

অফবা থিএটর হায়বসি ঐখোয়গী ৱাখল-খূৎখনসিবু শীংনবদুনি ঐখোয়না ফংগে তাল্লিবা পূন্সি-পান্দম অমসুং পন্থুং অদু তানবদা ইনোৎ হাপ্পদুনি।

ঐখোয়সু শা মখল অমনি, খুন্নাই লিংদুনা হিংলিবা, লু-তোং পূম্নমক মালেমসিগা চুশিন্ননা হিংনবগীদমক শেম্লকপা! হকচাং কায়াৎ খুদিংমক তাইবঙপানগা শকচানরুনবগীদমক ফাৎপা থোঙ অমগুম্বনি। থোঙসিগী মতেংননি - মপান ' তাইবঙ উরিবা, ইশাগী ইশক লেপ'ঙল্লিবা। পাউ তম্বা, ৱারী লীবা ... ফজরোল অমদি ফোঙদোকলোন থিবা ... শাওং-শাথেক অমসুং সিনোগ্রাফি শেমগৎপা ... অসিনচিংবা থৌওংশিং অসিনা থিএটর হায়বা কলাসিবু, কলা পূম্নমক্তগী খ্বাইদই হেন্না মপূম ফারবা কলা (কম্পিৎ আর্ট ফোর্ম) অমা ওইহন্দুনা ঐখোয় করি ওইরম্মী, করি ওইরি, করি ওইরক্কনি হায়বনচিংবা ময়েক লানা উবা ঙমহল্লি। ●

- ইংলিসতা : Willem Dafoe (USA)

-মণিপুরীদা - এস ইন্দ্রকুমার

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (১০)

- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

গৌড় ধর্ম্মদি মীতৈলোলবু মাঙই, লাই শোনবা য়াদে হায়না হায়নৈ। অমাঙবা মীতৈলোলসি নত্তনা মীতৈবু করি হায়না হিংগনি। মীতৈ ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা গৌড় ধর্ম্মসিবু চীংথংখোম্বা নিংথৌবু কিবা মরম্না লৌনীংদনা লৌখি হায়বসি মীতৈ মরুপ ইবুংঙোশিং,- ঐনা হায়জখিবা "ধরনী সংহিতা"গী ৱারীসিনা অসুমক খঙনরসি। অতোপ্পা মীসু, মীতৈবু গৌড় ধর্ম্মসি য়াম্না চৎহন্নীংখি। চীংমী-নন লোকলশিংনা মীতৈগী মপাঙ্গল উবদা কিরমদবা লৈতে। গৌড় ধর্ম্মসিতনা মীতৈগী পাঙ্গল ময়েং তাহন্নবা হীদাক্কি হায়না খ্বাইনা খঙখি। নিরামিষ চারগা, ব্রত তৌরগনা গৌড় ধর্ম্ম মপূং ফানা চৎলিবা মীনা পাঙ্গল কনগে হায়বা য়াদে। লায়রবা ঐহাক্না নিরামিষ চারবদা ওইগদৌরিবা মওংবু ইবুংঙোশিংনা খঙবীরিবদুমঙাই। নোংমতং চরা হেনবদা পাঙ্গল কয়া য়াম্না হনবা, মীতৈ মরুপ ইবুংঙোশিংনা খঙবীরিবদুমঙাই। বাংলাদেশকী মীনা নোক্লরকপদা মহা বৈষ্ণবনি শোকউগনু হায়নৈ। হায়বদি - অপঙবা মীনি, হংলুদুনা করি কান্নগদবনো, হায়দুনা হায়বা ৱানি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী পোলোইভম মওংবু, পাঙ্গল শোল্লবী নুপী লুখ্রাবীগী মওং লৌদুনা তুক্লা অমগা লাঠি অমগনা লোইরে। তুক্লা লাঠিমক পায়দ্রবসু, নুপীগী ফিজেৎ লৌদ্রবসু, গৌড় ধর্ম্ম চৎলিবা মীনা পূক্লিং খরা শোন্থবা ময়েক্লি। পাঙ্গল হায়বসিসু ধর্ম্মগী মতুং ইল্লি। তৃণাদপি সুনীচেন তরুরেব সহিষ্ণুনা হায়বা ৱাহৈসিনা গৌড় ধর্ম্মগী মরুনি। অসিনদি গৌড় ধর্ম্ম মপূং ফানা চৎলবদা মায় হঙ্গৎতুনা ৱা হায়বা ঙম্বগী মথৌ লৈতে। গৌড় ধর্ম্মসিমক্তবু শূদ্রগী লমচৎ মতুং ইনবা ধর্ম্মনি হায়না ৱাখল তৌজে। ব্রাহ্মণ মচা চৈতন্যগুম্বনা পুথোক্লম্বা ধর্ম্মবু করম্না শূদ্রগী লমচৎ ওইগদগে হায়দুনা ইবুংঙোশিং কনাগুম্বনা য়েৎলক্কনি।

মহাক্কী খুমুকপু হায়জগে - ব্রাহ্মণ মচা ওইরবসু চৈতন্য হায়রিবসে, শূদ্রগী মরক্তা পোক্তুনা শূদ্রগা চাউমিন্নখিবা ব্রাহ্মণ মচানি। শূদ্রনদি ময়াম ওই, ব্রক্ষ্মণনদি খজিক্তা ওই। চৈতন্য পিসক পীকঙৈদগী শূদ্র মরোল লোনখি শূদ্রগী লমচৎ চৎখি। মপুথৌশিংদি বাংলাদেশকী নৎতে। কোনৌজরোমদগী লাক্তুনা লৈখিবনি। মীতৈগী বামোন্না মীতৈগী মরক্তা পোক্তুনা মীতৈ মরোল, মীতৈ লমচৎ-শাজৎ চৎখিবগুম্না চৈতন্যসু শূদ্রগী লমচৎনা চিংনা চপ চানা চৎখি। মরম অদুনা মহাক্না পুথোকখিবা ধর্ম্মসিদা নোল্লুকপনা লীক্লু ওইরি। শূদ্র হায়বসিগা নুপীগা অমত্তনি হায়না শাস্ত্র পুরান্না হায়নরি।

শূদ্রগী লমচৎ চৎপা মরম্না গৌড় ধর্ম্মসি চৎপদা নুপীগী পূক্লিং, নুপীগী ফিজেৎ লৌখি। নুপীগী লমচৎ চৎলবদা করম্বা নুপানা থবক থৌরম খুদিংদা ইচং থৌগদগে? মতু ওইবদুনা মৱা ওইবদুগী মিহুৎ নাহুম য়েংদুনা চৎপগুম্না ধর্ম্মগী লীচিংনা পাঙ্গল শোনখ্রবা মীদুনা তরাগী ঈরাং য়েংদুনা লৈবা ময়েক্লি। তরানা চৎলগা চৎকনি, তরানা তৌরগা তৌগনি হায়দুনা লৈরিবা মীদুগী পূক্লিংদো নুপামচা ওইবগী পুকচেল চৎতে হায়না খঙজরে। থবক থৌরম অমবু চুম্মী-চুমদে হায়বা ৱায়েলসি মীতৈ মরুপ ইবুংঙোশিংনা খঙবীরোইদবা করিসু লৈতে।

চুমদ্রবদুবু তরা কিবনা চুম্মী হায়রবদি তেংবানবসি ওন্ন-তৈনবা হায়বদুনি। মরম অদুনা নুপী পুকচেলনি হায়জবনি। অচুম্বা, অওইবদুবু তাইবঙ মীনা লৌখৎনৈ। চুমদবদুবু চুম্মী, ওইদবদুবু অওইবনি হায়রবদি অওইবদুসু মাঙখি, ওইদবদি মাঙবগী মাঙবা। সংস্কৃত খঙবা পণ্ডিটশিংনা হায়রি - যোধ্রুবানি পরিত্যজ্য অধ্রুবানি নিসেবতে, ধ্রুবানি তস্য নস্যন্টি অধ্রুবং নষ্টমেবহি। অওইবা থাদোক্তুনা ওইদবা লৌরবদা অনীমক মাঙদুনা তোকই হায়বা ৱানি। হন্দক্কী গৌড় ধর্ম্ম হায়রিবসি মীতৈ ঐখোয়গী নত্তে নন লোকলগীনি। অকনবা ধর্ম্মবু ওইরবসু অশোনববু ওইরবসু মীতৈ ঐখোয় ইপা-ইপুগী লন নত্তবনা মীতৈ মরুপ ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা করিসু পামজরুদ্রে।

ঐখোয় মীতৈগী নত্তবা ধর্ম্মসিবু মীতৈ ঐখোয়না লৌরুবা মরম্না মীতৈ ইবুংঙো-ইবেম্মশিংনা অপোকপা ইবুংঙোগী ৱা হায়রগা শাওগৎপীরিবসিনি। ইবুংঙো-ইবেম্মশিংনা শাওগৎপীরিবসি চাক শৌগৎলকপগুম্বনি, করিসু লৈতে হায়না খঙজরে। মীতৈ ঐখোয়গী ইরন নত্তবা গৌড় ধর্ম্মদুবু চৎলুবা মরম্না মীতৈ ইবুংঙো-ইবেম্মশিং অপোকপসু কাউবীরে, গৌড় ধর্ম্মদসু য়ৌবা ঙমখিদ্রে। করি হায়না গৌড় ধর্ম্মদা য়ৌরুবা ঙমগনি। ইরোলবু থৈখ্রবদা মীগী মরোলবু করম্না খঙলুবা ঙমগনি। মরম অসিনা মীতৈ মরুপ ঐখোয়না হায়জরিবনি, - তোংবা অমদা তোংসি, লেপ্পা অমদা লেপ্পসি। মীগী ফজে হায়বদো ঐগী নত্তে। ঐগী ফত্তবদো ঐগীনি।

অমুকসু হায়জরিবনি, - অপোকপা হায়দুনা হায়রিবসিবু মীতৈ ঐখোয়গী লোন্না হায়জবা ৱাহৈনি। অপোকপা হায়বদি তেংবানববু ইবুংঙো মহাক্তগী পোকই হায়বনি। নন লোকলনা 'ঈশ্বর' হায়না হায়নৈ। হৌখিবা অদুদগী চৎখিদুনা অদুনা লোইসিল্লি হায়না তেংবানবনা খঙনরিবনি। অপোকপদগী হৌরগা অপোকপদা লোইগনি, শোয়দবা ৱানি, তেংবানবগী পথাপনি। কনানো, অপোকপবু লানবীবা লাই নত্তে হায়রিবা। গৌড় ধর্ম্ম হায়বসি মীতৈ ঐখোয়দদি হকচাংদা লিৎপা ফুরিৎকুম্বনি, ইশাদুমক নত্তে, মরম অদুনা নন লোকলগী ফুরিৎসি লৌথোক্তুনা মীতৈ ঐখোয়গী ফুরিৎনা লৈতেং ওইহল্লসি হায়দুনা মীতৈ মরুপ ঐখোয়না লাউজরিবনি। ইবুংঙোশিংগী মফমদা গৌড় ধর্ম্মসি ফৈ-ফৎতে হায়বসি - ঐগী ইথৌ নত্তে।

গৌরাঙ্গসিবু লাইনি, লাই নত্তে হায়বা ইথৌ লৈতে। অফবা ধর্ম্মসু ওইসনু, গৌরাঙ্গসি লাইসু ওইসনু। মীতৈ ঐখোয়দদি গৌর ধর্ম্মসি নন লোকলগী ধর্ম্মনি। গৌরাঙ্গনা লাই ওইরবসু মীতৈ ঐখোয়দদি তাইবঙ মীনি। করিনা - মীতৈ ঐখোয়গী লাই, মীতৈ ঐখোয়গী লাইনীং লৈবা মরম্না। হায়জরিবা ৱানি লমহেন্দুনা হায়জবা ৱা নত্তে। ঐগী ইপা-ইপু পোকপবু কন্নরকপদা হায়জবা ৱানি। তেংবানবনসু তৌনরিবা, হায়নরিবা ৱানি। ঐগী ইমা-ইপাবু লাইনি হায়জবদা কনানসু লাল্লি হায়গদবা লৈতে।

ইমা-ইপা নত্তনদি তাইবঙপানবা ওইবা ঙমদে। ইমা ইপাবু খঙজরবদি তেংবানবগী মপুবুসু খঙবা ঙমজে। করিনা, তেংবাঙনবগী মপু ইবুংঙোদগী ইমা-ইপানচিংবা পুম্নমকপু হৌরকই। মনাছড়া ডাকঘরদা টেলিগ্রাম চুম্না তৌখ্রবদি কলকতাদসু চুম্না থুংই। মরম অসিনা ইমা ইপাসিবু হান্না খঙদবা য়াদে। ইমা ইপাবু পেলহল্লবদি লাইয়াম পুম্নমকসু পেল্লি হায়দুনা ইমা ইপাবু লাইনি হায়না নীংলসি। ●